# য়ুনিয়ন কেবিনেটনা লোক সভাগী নুপীগী সিট হেনগৎনবা দ্রাফ বিল পাস তৌখ্রে
## লোক সভাগী সিট ২৭৩ হেনগৎতুনা পুন্না ৮১৬ ওইগদৌরি





ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০৯ (এজেন্সি):

নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা এন দি এ লৈঙাক্কী য়ুনিয়ন কেবিনেটনা ব্ল্যমেন রিজার্বেসন এক্টতা এমেন্দ তৌদুনা লোক সভাগী নুপী ওইবীশিংগী সিট হেনগৎনবা মথৌতাবা দ্রাফ বিল পাস তৌখ্রে।

লাক্কদৌরিবা ২০২৯গী লোক সভা ইলেক্সনদা লৈবাক অসিগী নুপী ওইবীশিংগী সিট মশীং হেনগৎহন্দুনা ব্ল্যমেন এম্পাৱারমেন্ট পীননবগী পান্দমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা চিয়ার লৌদুনা কেবিনেটনা হায়রিবা দ্রাফ বিল অসি পাস তৌখিবনি হায়রি।

য়ুনিয়ন কেবিনেটনা নৌনা পাস তৌদুনা ব্ল্যমেন রিজার্বেসন এক্টতা এমেন্দ তৌগদৌরিবা অসিনা হৌজিক হৌজিক লৈবাক অসিগী লোক সভাগী লৈরিবা অপূনবা সিট ৫৪৩ অসিদা নৌনা সিট ২৭৩ হেনগৎতুনা পূন্না লোক সভাগী সিট ৮১৬ ওইরগনি হায়না লৈবাক অসিগী ন্যুজ এজেন্সি দ হিন্দুনা রিপোর্ট তৌরক্লি।

রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্না লোক সভাগী হেনগৎকদৌরিবা অপূনবা সিট ২৭৩ অসিগী চাদা ৩ থোকপগী ১দি নুপী ওইবীশিংগী রিজার্বেসন থমদুনা নুপীশিংদা অহেনবা খুদোঙচাবা পীগনি হায়রি। হায়রিবা অপূনবা সিট ২৭৩ অসিগী চাদা ৩ থোকপগী ১ নুপী ওইবীশিংগী ওইগদৌরিবা সিট অসিদা সেদুল কাষ্ট, সেদুল ত্রাইবসু য়াওগনি হায়রি।

অমরোমদা লৈবাক অসিদা নুপীওইবীশিংদা অহেনবা শক্তি পীননবগী পান্দমদা নৌনা য়ুনিয়ন কেবিনেটনা পাস তৌখ্রবা দ্রাফ বিল অসিগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিগী নুপী ওইবীশিংবু হৌজিক লৈরিবা লেজিসলেটিব বোদিদা হান্নদগী হেন্না চাওনা শরুক য়াহনবা হায়বসি খ্বাইদগী মরুওইবা অমনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মহাক্কী ওফিসিয়েল মায়ক্রোব্লোগিং সাইট এক্সতা থাদোরকপা ৱারোল অমদা লোজিসলেটিব বোদিদা নুপী ওইবীশিংগীদমক রিজার্বেসন থম্বা হায়বসি খ্বাইদগী মরুওইবা মথৌতাবা অমনি। বোদি অসিদা নুপী ওইবীশিংগী অখন্নবা রিজার্বেসন থম্বা অসিনা লৈবাক অসিগী দেমোক্রেসি হেন্না মশেক মঙাল ঙানবা ঙমগনি। মরম অদুনা লেজিসলেটিব বোদিদা নুপীওইবীশিংগীদমক রিজার্বেসন থন্নবা হোৎনবদা থিন্দুনা থম্বা হায়বসি লায়বক থিবা ওইগনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

পি এম মোদিনা মখা তারদুনা হায়, লৈবাক অসিগী ইকোনোমি ফগৎহন্ননবা হোৎনবদা নুপীওইবীশিংদা এজুকেসন, অফবা হেল্থকিয়ার অমসুং শেন্থোক লন্বী পীবা হায়বসি য়াম্না তঙাইফদে। লৈবাক অসিগী লৈরিবা অপূনবা মীশিংগী চাদা ৫০দি নুপীওইবীশিংনা ওইরি। নুপীওইবীশিংনা লৈবাক অসিদা পীরিবা কন্ট্রিব্যুসন অসি অদুক্কী মতিক পাকচাওবতা নৎতনা য়াম্না অচৌবা থৌদাং লৌরি।

সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিদগী হৌরগা ওন্ট্রোপ্রেনরসিপ, স্পোর্টস, আর্ম ফোর্স, ম্যুজিককী লৈমদা নুপী ওইবীশিংনা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা ইন্দিয়াবু শক্তাক্লি। হৌখিবা চহী কয়া অসিদা নুপী ওইবীশিংবু এম্পাৱারমেন্ট পীদুনা লৈবাক অসিবু মপাঙ্গল কনবা লৈবাক অমা ওইননবগীদমক মথৌতাবা এনভাইরোমেন্ট অমা শেমগৎননবগীদমক ইন্দিয়া লৈঙাক্না থবক পায়খৎতুনা লাক্লি।

হেল্থকিয়ার, ফাইনান্সিয়েল অমদি তঙাইফদবা মথৌতাবা পূন্নমক নুপীওইবীশিংদা অহেনবা খুদোঙচাবা পীবনা লৈবাক অসিগী ইকোনোমি অমদি সোসিয়েল লাইফতা মখোয়না অমুক্কা হেন্না চাওনা শরুক য়াবা ঙমগনি।

হৌখিবা ইন্দিয়া লৈঙাক্না লৈবাক অসিগী নুপী ওইবীশিংবু মপাঙ্গল কনখৎনবগীদমক রিজার্বেসন থন্ননবগী থৌরাং পায়খৎলম্বদি লৈ। অদুবু হায়রিবা থৌরাংশিং অদু থবক্তা ওন্থোক্তনা থল্লমখি হায়নসু মহাক্লা মখা তারক্লি।

নাকল অমরোমদা য়ুনিয়ন কেবিনেটনা লোক সভাগী ওইনা নুপী ওইবীশিংগী অহেনবা সিট রিজার্বেসন তৌদুনা ব্ল্যমেন এম্পাৱারমেন্ট তৌননবগী পান্দমদা দ্রাফ বিল পাস তৌখিববু বি জে পিগী মায়কৈদগী থাগৎপা, নুংঙাইবা ফোঙদোক্লরক্লি।

টেলঙ্গনাগী বি জে পি ষ্টেট য়ুনিটগী সেক্রেটরি বন্দারু বিজ্যলক্সমিনা নুংঙাইবা ফোঙদোক্লদুনা য়ুনিয়ন কেবিনেটনা লৌরক্লিবা খোঙথাং অসিনা নুপী ওইবীশিংদা নৎতনা লৈবাক অসিগী তুংগী লাইবকসু ৱাৎত-পাদবা নুংঙাই য়াইফবা লৈবাক অমা ওইবা ঙম্লগনি হায়রি।

ন্যুজ এজেন্সি অমদা বিজ্যলক্সমিনা হায়, লৈবাক অসিগী হৌখিবা পুৱারিদা নুপী ওইবীশিংনা লৈবাক ঙাক্লস্বগী ময়েক লারবা খুদম চাংদম কয়া লৈরি। ঙসি-ঙসিসু লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট, দেল্লিগী চীফ মিনিষ্টর, য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর নুপীনা ওইদুনা মথৌ মশক খঙনা মথৌ পাঙথোক্লি।

য়ুনিয়ন কেবিনেটনা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসিনা লেজিসলেটিব বোদিদা নুপী ওইবীশিংনা হান্নদগী শরুক হেন্না য়াবা ঙম্লগনি। খুন্নাই অসিবু লাক্কদৌরিবা তুংগী মতমদা নুপী ওইবীশিংনা চাওখৎপগী লম্বীদা হেন্না য়াঙনা চংশিনবদা নুপী ওইবীশিংনা অমুক্কা হেন্না চাওনা থৌদাং লৌবা ঙম্লগনি। মসিগীদমক্তা মহাক্কী মায়কৈদগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু থাগৎপা ফোঙদোকই। য়ুনিয়ন কেবিনেটতা পাস তৌরিবা বিল অসিবু পার্লিয়ামেন্টতা পুথোক্তুনা চৎনবা হৌবা নুমিৎ অদু লৈবাক অসিগী মীয়ান্না কাওবা ঙমদনা লৈহৌরগনি হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

---

## ৱেষ্ট বেঙ্গলদা মীয়াম্না থাজবা লৈঙাক অমা শোয়দনা লাক্লগনি: মোদি



কোলকটা, এপ্রিল ০৯ (এজেন্সি):

সবেন পে কম্মিসন য়াওনা বেঙ্গলগী মীয়ামদা খুদোঙচাবা ৬ শোয়দনা পীগনি হায়না পল্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা মীয়ামনা থাজবা লৈঙাক অমা শোয়দনা লাক্লগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ৱেষ্ট বেঙ্গলদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলগা মরীলৈননা পাঙথোকপা রেল্লি অমদা শরুক য়ারদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়, সবেন পে কম্মিসনগী খুদোঙচাবা য়াওনা তংদু লৈতাবা খুন্নাই অমা লৈহন্নবা অমদি কাংখোং চাইরবা লো এন্দ ওর্দর অসিবু লাকশিন্দুনা মীয়াম্না থাজবা লৈঙাক অমা লৈবগী নুংঙাইবা অদু ৱেষ্ট বেঙ্গলদা লাক্লগনি।

হৌজিক পাল্লিবা মমতা বেনর্জিনা লুচিংবা টি এম সিগী লৈঙাক্না লিশাং শিংনা চত্থরিবা করপসন, স্কেম অমদি নুপী ওইবীশিংদা চত্থরিবা ক্রাইমশিং অসি থিংননবা মথৌতাবা এক্সন লৌখৎননবগীদমক পন্দুনা লৈরিবা কেসশিং নৌনা য়েংশিল্লগনি।

তৃনামুল কোংগ্রেসকী ৱার্করশিংনা মখাতানা লো এন্দ ওর্দর থুগাইবগী থৌওং অসিদগী ঙাকথোক্লবা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা বি জে পিগী লৈঙাক অমা শোয়দনা লাক্লগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তারদুনা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা আইন কায়না চংশিল্লক্লিবা ইনফিলট্রেটরশিংবু লৈবাক অসিদা মখাতানা লৈহন্দনবা থবক পায়খৎকনি। অদুবু হৌজিক লৈরিবা রিফ্যুজিশিংবুদি কনষ্টিট্যুসনন্না পীবা রাইট পূন্নমক ফংহনগনি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, ষ্টেট অমা চাওখৎপা হায়বসি লৈবাক অদুগী প্রাইম মিনিষ্টর অমদি চীফ মিনিষ্টর তুনা চৎমিন্নদুনা থবক তৌমিন্নবা চংই। মতম অদু খক্তদা ষ্টেট অমদি লৈবাক অসিদা চাওখৎপা, নুংঙাই য়াইফবা পুরকপা ঙমগনি। মরম অদুনা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা বি জে পিগী লৈঙাক অমা নৌনা লিংদুনা সেন্টরদা পাল্লিবা এন দি এগী লৈঙাক অসিগা তুনা চৎমিন্নদুনা ৱেষ্ট বেঙ্গলবু চাওখৎপগী লম্বীদা চংশিন্নবা হোৎনবদা ঐখোয় পূন্নমক্লা থৌদাং লৌমিন্নসি হায়না ফোঙদোকখি।

---

## নিতিশ কুমার রাজ্য সভাগী মেম্বর ওইনা ৱাশক লৌরগনি, বিহারগী সি এম কনানা ওইগনি হায়বা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লাউথোকপা লৈত্রি



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০৯ (এজেন্সি):

বিহারগী চীফ মিনিষ্টর রাজ্য সভাগী মেম্বর ওইনা ৱাশক লৌরগনি। চীফ মিনিষ্টর কনানা ওইগনি হায়বা হৌজিক ফাওবগীওইনা ওফিসিয়েল ওইনা লাউথোকপা লৈত্রি।

চীফ মিনিষ্টর নিতিশ কুমার রাজ্য সভাগী মেম্বর ওইনা ৱাশক লৌননবগীদমক দেলিদা চৎখ্রে। দেল্লিদা চৎত্রিঙৈ চীফ মিনিষ্টর নিতিশ কুমারনা পাটনাদা লৈবা বি জে পিগী মকোকথোংবা লুচিংবা কয়াগসু উন্নরমখি হায়রি। বি জে পিগী মায়কৈদগী নিতিশ কুমারনা রাজ্য সভাগী মেম্বর ওইনা ৱাশক লৌখ্রবা মতুং বিহারদা কনানা চীফ মিনিষ্টর ওইগনি হায়বদু ন্যু দিল্লিদা লৈবা বি জে পিগী মকোকথোংবা লুচিংবা কয়ানা খন্নবা হৌখ্রে হায়রি।

জনতা দল (য়ুনাইটেদ)কী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট সঞ্জয় কুমার ঝানা হৌজিক ফাওবগী ওইনা বিহারগী কনানা চীফ মিনিষ্টর ওইগনি হায়বা খন্নবা লৈত্রি। নিতিশ কুমারনা রাজ্য সভাগী মেম্বর ওইনা ৱাশক লৌরবা মতুং পাটনাদা হল্লক্লবা কান্দা বিহারগী কনানা চীফ মিনিষ্টর ওইগনি হায়বদুগী মথৌতাবা থবক থৌরমশিং লৌখৎপা হৌগনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

তোঙান তোঙানবা ন্যুজ এজেন্সিশিংগী মতুং ইন্না নিতিশ কুমারগী মচানুপা নিশান কুমার হৌজিক হৌজিক বিহারগী চীফ মিনিষ্টর ওইননবগী লমজেলদা য়াওরি। লাক্লিবা থা অসিগী ১৫দা বিহারগী অনৌবা লুচিংবা অমা খন্দুনা চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌরবা য়াই।

বিহারগী পাটনাদা পাঙথোক্কদৌরিবা অনৌবা চীফ মিনিষ্টর অমা খন্দুনা নৌনা শেমগদৌরিবা লৈঙাক ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুদা এন দি এগা চৎমিন্নরিবা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মকোকথোংবা লুচিংবশিংসু শরুক য়ারবা য়াই হায়রি।

নাকল অমরোমদা বিহারগী মিনিষ্টর বিজয় কুমার চৌধুরিনা ফোঙদোরকপদা নিতিশ কুমারনা ন্যু দিল্লিদগী পটনাদা হল্লক্লবা মতুং সি এম ফম থাদোক্লগনি। মদুগী মতুং কনষ্টিট্যুসনগী মতুং ইন্না অনৌবা লুচিংবা অমা খন্দুনা সি এম ওইননবগী মথৌতাবা থবক থৌরমশিং লৌখৎপা হৌরগনি।

বি জে পিগী মশক মমিং তাকথোক্লিংদবা লুচিংবা অমনা হায়, নিতিশ কুমারনা বিহারদা মতম শাংনা লৈঙাক পায়রকপা অসিনা মরম ওইদুনা তঙাইফদনা মহাকপু সি এমগী ফম থাদোক্তুনা রাজ্য সভাগী মেম্বর ওইনা খন্ননবগীদমক খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি।

---

## মার্চ থাদা ক্রোর ৩৩.২৩গী দ্রগ মিজোরাম পুলিসনা ফাগৎখ্রে




আইজোল, এপ্রিল ০৯ (এজেন্সি):

হৌখিবা মার্চ থাদা মিজোরাম পুলিসনা মালেমগী কৈথেলদা চাওরাক্লা লুপা ক্রোর ৩৩.২৩ রোমগী ওইগদবা দ্রগ ফাগৎপা ঙমখ্রে। মিজোরাম পুলিসনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না হায়রিবা দ্রগশিং অদু চম্ফায়, খৌজোল অমদি সাইটোলনচিংবা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদগী ফাগৎপা ঙমখিবনি হায়রি।

হৌখিবা মার্চ থাদা মিজোরাম পুলিসনা মালেমগী কৈথেলদা লুপা ক্রোর ১০.৩০গী ওইগদবা হেরোইন কেজি ৫.১৫, লুপা ক্রোর ১২.২১ লোমগী ওইগদবা মেথাম ফেটামাইন কেজি ১৫.২৮, লুপা লাক্ষ ২.৭৫ রোমগী ওইগদবা গঞ্জা কেজি ৫.৫১৯ অমদি চাওরাক্লা লুপা ক্রোর ১০.৬৮ রোমগী ওইগদবা মোরফিন কেজি ১০.৬৮৫ ফাগৎপা ঙমখি।

মিজোরাম পুলিসনা য়াল্লবা দ্রগ ফাগৎপা অসিগা মরী লৈননা ইন্দিয়াগী নেসনেল ১২ অমদি ফোরেন নেসনেল ৬ য়াওনা পূন্না মীওই ১৮ ফাগৎতুনা হৌজিক-হৌজিক লোগী ওইবা মথৌতাবা থবক লৌখৎতুনা ইনভেষ্টিগেনি চথরি হায়রি।

---

## আই দি এফ সি বেঙ্ককী স্কেম সি বি আইনা এফ আই আর পানখ্রে




ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০৯ (এজেন্সি):

চান্দিগরগী আই দি এফ সি ফার্ষ্ট বেঙ্কতা হরিয়ানা লৈঙাক্কী পূন্না লুপা ক্রোর ৫৯০গী শেনফম মফম খঙদনা মাঙহনখিবগী স্কেম সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সি বি আই)না এফ আই আর পান্দুনা ইনভেষ্টিগেসন চথবা হৌখ্রে।

সি বি আইগী ইকোনোমিক ওফেন্স ৱিংনা রেজিষ্টার তৌখিবা এফ আই আর অদু হৌখিবা থা ফেব্রুৱারি ২৩দা হরিয়ানা ষ্টেট ভিজিলেন্স এন্দ এন্টি করপসন ব্যুরো (এস ভি এন্দ এ সি বি)না রেজিষ্টার তৌখিবা এফ আই আর অদুদা য়ূমফম ওইরগা নৌনা রেজিষ্টার তৌখিবনি।


লুপা ক্রোর ৫৯০ মফম খঙদনা মাঙহনখিবা অসিগী মতাংদা আই দি এফ সি ফার্ষ্ট বেঙ্ককী মায়কৈদগী বেঙ্ক অসিগী এমপ্লোয়ী অমদি হরিয়ানা লৈঙাক্কী একাউন্ট হোল্ডর অমগা লৌতুনরগা চত্থখিবা স্কেম অমনি হায়না মমাঙদা ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

এস ভি এন্দ এ সি বিনা স্কেম অসিগী মতাংদা এফ আই আর লৌখৎতুনা ইনভেষ্টিগেসন চথরকখিবা অদুদা আই দি এফ সি ফার্ষ্ট বেঙ্ককী হান্নগী এমপ্লোয়ী অনি ফাগৎখিবসু লৈখ্রবনি।

পুলিস অমদি ই দিগী মতুং ইন্না হায়রিবা লুপা ক্রোর ৫৯০গী শেনফম অদু আই দি এফ সি বেঙ্কতা লৈরিবা হরিয়ানা গভর্ণমেন্টকী একাউন্টদা এফ দি ওইনা থমগদবনি। অদুবু হায়রিবা শেনফমশিং অসি এস ভি এন্দ এ সি বিনা ফাখিবা আই দি এফ সি ফার্ষ্ট বেঙ্ককী হান্নগী এমপ্লোয়ী অনি অদুনা লৌথোকখি হায়না মরাল শীখিবনি।

---

## ‘মীয়াম্না গ্যাস পাইপলাইন তিংবগী অপাম্বা হেনগৎলক্লি’




ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০৯ (এজেন্সি):

লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীয়াম্না মশাগী য়ূমথোঙশিংদা নেচরেল গ্যাস পাইপলাইনগী খুৎথাংদা পাইপ নেচরেল গ্যাস (পি এন জি) কনেক্সন লৌবগী অপাম্বা হেনগৎলক্লি হায়না লৈবাক অসিগী পেট্রোলিয়ম এন্দ নেচরেল গ্যাস রিগুলেটরি বোর্দ (পি এন জি আর বি)গী চিয়ারপার্সন অনিল কুমার জেননা ফোঙদোরক্লি।

নেসনেল ন্যুজ এজেন্সি অমনা অখন্ননা লৌবা ইন্টরভ্যু অমদা অনিল কুমার জেননা হায়, হৌখিবা মার্চ থাদা নোংমদা য়ূমথোঙ ১০,০০০ হেনবদা পাইপ নেচরেল গ্যাস পি এন জিগী কনেক্সন পীখি। পূন্না মার্চ থাদা লাক্ষ ৩ হেন্না লৈবাক অসিগী লৈরিবা য়ূমথোঙশিংদা পাইপ নেচরেল গ্যাস (পী এন জি)গী কনেক্সন পীবা ঙমখিবা অসি লৈবাক অসিগী ওইনা চাওথোকচনিংঙাই অমনি।

মতম অমদা লৈবাক অসিগী মীয়াম্না এল পি জিদা হেন্না পান্নরল্লবসু লৈরিবা সপ্লাইগী খুদোঙচাদবশিং অসিনা এল পি জিদগী পি এন জিদা লৈবাক মীয়াম্না পান্বা হেনগৎনরকপগী মমি চাওনা তারি।

মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা দোমেষ্টিক পাইপ নেচরেল গ্যাসকী খুদোঙচাবা লৈরিবা অসিগুম্না লৈবাক অসিগী মীয়াম্নসু ঙসিদি মশা মশাগী ময়ূমদা পাইপ নেচরেল গ্যাস পুশিনবগী অপাম্বা হেনগৎনরক্লি।

ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লৈবাক মীয়াম্না পাল্লিবা অপাম্বা অসি থুংহন্ননবগীদমক হৌজিক লৈরিবা এল পি জি অসিগী মথক্তা অহেনবা পি এন জিগী কনেক্সন পীননবগীদমক থৌরাং পায়খৎপা হৌরে। হৌজিক ফাওবগী ওইনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়কৈদগী এল পি জি মীয়ামদা মপুং ফানা ফংহন্নবা হোৎনরবসু পাইপ তিংদুনা পাইপ নেচরেল গ্যাস (পি এন জি)গী খুদোঙচাবা ফংহন্নবা তপ্না তপ্না থবক লৌখৎলি।

লৈবাক অসিগী য়ূমথোঙ খুদিংদা ঈশিং অমদি ইলেক্ট্রিক হকথেংননা সার্ভিস পিরিবা অসিগুম লৈবাক মীয়াম্না নেচরেল গ্যাসপুসু মশা মশাগী য়ূমথোঙদা কনেক্সন পীবগী অপাম্বা হেনগৎলক্লিবা অসি নেচরেল গ্যাসপু মতম অমদা মীয়াম্না অকিবা পোক্লরম্বা অদু তপ্না তপ্না হন্থরক্লে হায়না তাকপনি হায়নসু মহাক্লা মখা তারক্লি।

---

## অৱাং নোংপোককী মীয়ামদা হন্থনা য়েংলিবা মীৎয়েং লায়না লৌবা চুস্লোই: সুপ্রিম কোর্ট




ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০৯ (এজেন্সি):

মেনলেন্দ ইন্দিয়াদা লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক্তগী লাক্লিবা মীয়ামগী মথক্তা চত্থরিবা দিসক্রিমিনেসন অসি সেন্টর লৈঙাক্না লায়না লৌবা চুস্লোই হায়না সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়ানা ফোঙদোকখ্রে।

অৱাং নোংপোক্কী মীয়াম্না মেনলেন্দ ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থেংনরিবা দিসক্রিমিনেসন অসিদগী ঙাকথোক্লনবা সেন্টরনা তাক্কক নাইননা মীফম পাঙথোক্তুনা খন্নদুনা মথৌতাবা থবক থৌরমশিং লৌখৎকদবনি হায়না সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়ানা খঙহনখ্রবসু সেন্টরগী মায়কৈদগী মীফম পাঙথোক্তবগীদমক সুপ্রিম কোর্টনা সেন্টরগী মথক্তা পেন্দবা ফোঙদোকখিবনি।

সুপ্রিম কোর্টকী জষ্টিস শঞ্জয় কুমার অমদি কে বিনোদ চন্দ্রননা শাবা বেঞ্চনা করিগীদমক্তা সেন্টরগী মায়কৈদগী মথৌতাবা মীফম অসি পাঙথোক্তবনো হংখি। হায়রিবা মীফম অসি অৱাং নোংপোক্কী মীয়াম্না থেংনরিবা দিসক্রিমিনেসন অসিদগী ঙাকথোক্লনবা তঙাইফদনা মেনিটর তৌননবগীদমক সেন্টরনা কম্মিটি শেমখিবনি।

লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক্তগী লাকপা মীয়াম্না থেংনরিবা দিসক্রিমিনেসন অসিদগী ঙাকথোক্লনবা সেন্টরনা তাক্কক নাইনানা মীফম পাঙথোক্তুনা য়েংশিনগদবনি হায়না খঙহল্লবসু সেন্টরনা পাঙথোক্তনা লৈরিবা অসি সুপ্রিম কোর্টকী মায়কৈদগী কৈদৌঙৈদা কোমথোকপা তৌরোই।

অৱাং নোংপোক্কী মীয়ামনা থেংনরিবা দিসক্রিমিনেসন অসিদগী ঙাকথোক্লনবগীদমক শেমখিবা সেন্টর লৈঙাক্কী কম্মিটি অদু হৌখিবা চহীগী দিসেম্বর ১৫দগী মখা তানা থবক পাঙথোক্তনা লৈরি। হায়রিবা কম্মিটি অসি থা ৩ খুদিংগী মীফম পাঙথোক্তুনা অৱাং নোংপোক্কী মীয়াম্না থেংনরিবা দিসক্রিমিনেসন অসিদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনগদবনি হায়না সুপ্রিম কোর্টকী বেঞ্চ অদুনা ফোঙদোকখি।

জষ্টিস কুমারনা মখা তানা হায়, মহাক্না মণিপুরদা লৈরিঙৈ সোসিয়েল মেদিয়া প্লেটফোর্ম ৱাটচএপ্প গ্রুপ অমদা ভিদিও অমা ভাইরেল ওইরকখি। ভিদিও অদুদা অৱাং নোংপোক্কী মীয়ামবু নেপালি অমদি চিনকিষ্ট হায়না করেম কথায়নখি হায়নসু মহাক্লা নুংঙাইতবা ফোঙদোকখি। অদুবু অৱাং নোংপোক্কী মীয়াম অসি মেনলেন্দ ইন্দিয়াদা লৈরিবা লৈবাক মীয়াম পূন্নমক্তা চপ মান্নবা লৈবাক অসিগী সিটিজন অমনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা লৈরিবা অৱাং নোংপোক্কী মীয়ামগী ৱেলফিয়ারগীদমক থারকখিবা পি আই এল অমগা মরী লৈননা সুপ্রিম কোর্টকী জষ্টিস শঞ্জয় কুমার অমদি কে বিনোদ চন্দ্রনগী বেঞ্চনা খন্নখিবনি।

পনবা য়াবদি মেনলেন্দ ইন্দিয়াদা অৱাং নোংপোক্কী মীয়াম্না থেংনরিবা মীওৎ মীনৈ অসিদগী কোকহন্নবগী পান্দমদা থা ৩ খুদিংগী ইন্দিয়া লৈঙাক্না অখন্নবা কম্মিটি অমা শেমদুনা মীফম পাঙথোক্তুনা খন্ননবা সুপ্রিম কোর্টনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মথক্তা অকনবা ইনষ্ট্রকসন পীখিবনি।

নিংশিংবা য়াবদি হৌখিবা মার্চ থাদা মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক্কী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী মীওই কয়া ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা মফম অদুগী মীওইশিংনা করেম কথায়নবা, উশিৎ থওংদবগী থৌওং চত্থরকখিবগী থৌদোক থোকপদগী দেল্লি পুলিস য়াওনা মরীলৈনবা ষ্টেটশিংগী পুলিসশিংনা কেস পান্দুনা থিজিন হুমজিনবগী থবক চত্থবসু লৈখ্রবনি।


**In the Court of The Sub-Deputy Collector**
**Lilong Chajing, Imphal West**
*Ref. :- Mutation Case No. 76 of 2026*

1) Lamabam Manglembi Devi W/O L. Apabi Singh.
2) Lamabam Bidyamani Devi D/O L. Apabi Singh
3) Lamabam Khelendra Singh S/O L. Apabi Singh.
all of Langthabal Kunja Mayai Leikai -Petitioners

**-Verses-**

Lamabam Apabi Singh S/O L. Chandrahas Singh of Langthabal Kunja. - Opp

ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / **NOTICE**

*Lilong Chajing 6th April, 2026*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি মৃতু ওইখ্রবা Pattadar Lamabam Apabi Singh S/O L. Chandrahas Singh of Langthabal Kunja গী মীংদা পানবা খুন নং 67-Langthabal Kunja অরিবা 50, অনৌবা পাট্টা নং 367, C.S. Dag No. 404 এরিয়া 0.235 acres চাউবা ইংখোল অসি Petitioner শিংনা মখোয়গী মিংদা নমা পানবিয়ু হায়না উক্তা কোর্ট SDC-Lilong Chajing, Imphal West কী ওফিসতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ তরেৎ (৭) নি ফাওবগী মনুংদা Court অসিদা লাকপিদুনা Objection তৌবিরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা অপতি লৌজরোই। Court কী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চৎথগনি।

**‘ওন্নখিবা’ (Corrigendum)**

*তাং ৭/৪/২০২৬ ইংদা সনালৈবাক খবর অসিদা ফোঙখিবা. Ref. :- Mutation Case No. 76 of 2026 দা* Lambam কী মহুৎতা Lamabam ওইগদবনি।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Lilong Chajing, Imphal West

SL/Mei/10